# অহল ওইয়ু য়াদ্রবা অহল

**- এস ইন্দ্রকুমার-**

‘পূন্সি’ হায়বা অনী শুনা ফংলরোইদবা, তাঙবদগী তাঙলবা, পাম্মুবদগী পাম্মুরবা, নুংশিবদগী নুংশিরবা পোৎশক অসি নোংমদি লোইখিগনি খল্লুবদা ৱাদবা কনা য়াওরমগদগে? নোংমদি শোয়দনা লোইখিগদবা পূন্সিনি খঙনা-খঙনা ‘শিগনি’ হায়বা ৱাখলদু খল্লুদনা/ কাউথোক্তুনা হিংনরিবা ঙাক্তনি মীওইবা। শিবগী ৱাখল খল্লুদবা ঙস্বদুননি অমগা-অমগা নুংশিনদবা হেল্লিবা, মরল-মথুম পৈশিনবগী পেনবা নাইদ্রিবা। পেন্নাইদনা পৈশিল্লিবা সনা-লুপা, মরল-মথুম পূন্নমক্তুগী পীল্লবা শরুক অমত্তসু পুদুনা চৎখিরোই মীওইবগী থৱায়না হকচাং অসি হুন্দোক্তুনা চৎখিবদা। পূন্সিনা খম্বদা য়ূম-ইঙ্খোল, লন-থুমগসু খাইনরে, মরী-মতা, মরুপ-মপাংগসু কায়নরে। পূন্সি খোঙচৎ লোইখ্রবসু, শমু হকচাংনা তূমখ্রবসু মূৎনাইদনা লৈহৌবদি মহাক্না তৌরম্বা অফবা থবক অমদি হায়রম্বা ৱাহায় ময়ামদুনি। অহৌবসু লৈতবা অরোইবসু লৈরোইদবা ‘মতম’ কৌবা মহাকপু মীওইবনা শকখঙবা হৌরকঙৈদগী পোকখিবা অমদি শিখিবা মশীং থিঙমদ্রবা মীওইবা মরকসিদগী নীংশিংবা মরক্তা লাচন্দুনা থল্লিবা মীগী মশীংবু কয়ানোনে? পূন্সি অমা শাগোন্নরিবা, থম্মোয় পাউদম তমজরিবা ইশাসু পূন্সিসিনা লোইখিবদা হিংলম্মী হায়বগী মমি ফাওবা তারোইদবা মপোক্নি। পাউদম অসি পারিবা নহাকসুনি, মহাকসুনি - ইচা-ইশু, ঈরি-ঈতা, নক্লবা-মরুপ-মপাংনা কোরৌ নুমিৎ খরনি শোন্নবীবা নুংশিনা, তপ্না-তপ্না কাউখিবা-সিবু হেনবা করিনো ঐগীদমক তৌরক্কদবা? ওইবসু য়াই নীনি শুনা শোন্নবীদবা! চৎখ্রবা ঐনি, খঙলরোই।

ইজরিবা খরসি খনবীরম্বসু য়াই চোইরোল ওইনা। করিনো হায়নীংলিবসে? শাংল’ পূন্সি খোঙচৎসি নোংমগী মতমগা পান্দম্নরুরগা, পূন্সি নুমিদাংৱাইরম য়ৌরক্লমাল্লে খন্দুনা লাংতক্লবা হৌরকপনি - তৌগদবা থবক্তি অমত্তসু তৌহৌদ্রে! অদুগা অমুকসু খল্লকই, কনানা ইহান হান্না হায়রম্বনো খঙদবা, মালেম শিন্না হায়নরিবা ৱাহায়সে... লাইফ ষ্টার্টস এট ফোর্টি (পূন্সি হায়বসি চহী নিফুদ্দগী হৌই)। ৱাখল্লোনসিনা চুমদৌরিবরা? জিনেটিক ইঞ্জিনিয়রশিংনা হায়বা ‘হকচাংগী সেলশিং অসি চহী নিফুগী মতুংদদি তপ্না-তপ্না শিথরকই’ হায়বা ৱাহায়সিনা চুমদৌরিবরা? পোৎ অমগী অচুম্বা নৎত্রগা অরানবা, ৱাখলসিনা লেপ্পা নত্তরা? মীৎয়েং অমমমদৌ য়েংলগা ৱাখলসিনা খল্লুরে- অনীমক অচুম্বনি। হৌজিক্তি লাইফ ষ্টার্টস এট সিক্সটি’সু হায়নরক্লে।

পোকখঙমদনা পোকপা তাইবঙ মপোক, পূন্সিসিবু শকখঙবা অরায়বা থবক নত্তে। ইশানা শাগোন্নরিবা পূন্সি অসিবু শকখঙবা মপোকসিমনা কোন্নদে হায়নরিবনি তাইবঙনা। ইশানা ইশাবু শকখঙবা, অপাম্বনা করিনো তৌবা ঙম্বনা করিনো, ঐনা লৈরিবা তাইবঙসিনা করিনো খঙননবা হোৎনবা মতম চঙবা থবক্নি। ‘অলফ্রেদ হিটচকোক’না হায়রমখি, মীহাৎ-মীপূন-লংলা-লংজিন পুথোকপগী (ক্রাইম থ্রিল্লর) ফিল্ম পুথোকপগী আর্ট অসি মশক খঙলকপা মশাগী চহী য়াঙ্খ্রে হেল্লক্লবা তুংদনি। ‘জ্ঞান অস্তিন’না মহাক্কী অহানবা উপন্যাসকী লাইরিক, মশাগী চহী কুম্থ্রামঙা হেন্দোক্লবা মতুংদা ফোঙখিবনি। ‘চার্লস দার্ৱিন’না মহাক্কী লাইরিক ‘দ ওরিজিন ওফ স্পেসিজ’ (থৱায় পানবশিংগী হৌরকফম) হায়বা লাইরিক অদু ফোঙদুনা ‘থিওরি ওফ ইভোল্যুশন’ হৌদোক্লকপা মতমদুদা মশাগী চহী য়াঙ্খ্রে শুরবনি।

ৱাফম খরসি হৌদোকচরুবগী মরম, ইশানা ইশাবু থেমজিনজবা ৱাখলদু ময়ামদসু পাউদমজনীংলুবনা মরুনি। থেঙমল্লবরা খল্লুবা, ইঙন ঙল্লিবদুম ওইরম্মী মখোয়গী ৱা নীংশিংলুবদা। ক্রিয়েটিভ আর্টিষ্ট অমগী পূন্সিদি অহল ওইবা হায়বদু লৈতে- হায়নবদু তাবীরবরা? পূন্সিদুবু পুরিবা হকচাংদুদি মনশিল্লক্লম্বা য়াই, অদুবু ঈনৌতা নৌরিবা মাগী ৱাখল অদুদি মনশিল্লকপা লৈতে। ইনখৎলকপা অঙাংগী উরু’-খুদিং পাম্লুবা মহাক্কীনি খঞ্জবা, নুংঙাইবতা মশরুক অৱাবা শরুক য়াওদবা চোকথবা নাইদ’ মতৌদুনি ক্রিয়েটিভ ওইবা (অনৌবা পাম্বা) পূক্নিংদুগী মতৌদি জিওর্জিয়া তোত্তো ও’কীফ- অমেরিকাগী মহৌশাগী শক্তম অমদি লেঙ ওৎপা তৌদনা খিন্দুনা লৈরিবা শক্তমশিং মরোল লোনবা শক্তম ওইনা য়েকপা ঙম্বগীদমক মমিং চৎলি। ১৮৮৭ নবেম্বর ১৫দা পোকখিবী, নুপী লাইয়েকপী অসি মীনা শকখঙবা হৌরকপদা মশাগী চহী য়াঙ্খ্রে হেল্লম্লে। চহী হুম্ফু অমদি হুম্ফুতরাগী মতমদা নৌরিবা কলাকার অমগুম চোকথবা নাইদা য়েক্লম্মী, তপ্না-তপ্না শকখঙলক্লম্মী। অদুবু, লাই-য়েকপী অমা ওইরগে খল্লকখিবা অমদি য়েকপা তম্বা হৌরকখিবদি মশাগী চহী তরা চঙলকপা মতমদুদগীনি। থাজবীদবরা? হ্বিতনি ম্যুজিয়ম ওফ অমেরিকান আর্টকী ফম্বাক্তা মহাক্কী অহানবা এগজিবিশন পাঙথোক্তুনা লাইপোক’কুম্লবা মহাক্কী গুণ মীনা শকখঙলকপদি মশাগী চহী মরিফু হেল্লক্লবা, ১৯৭০গী মতুংদনি। অমেরিকাগী খ্বাইদগী মশক নাইবা আর্টিষ্টশিংগী মরক্তা অমনি। ও’কীফ - কৈদৌঙৈদা অহল ওইখিদে। মরমদি মাগী পূক্নিংদুনা ‘অহল ওইরে’ হায়বদু য়াবা ঙমখিদে। ১৯৭৩, চহী কুনতরুক’তা ঙায়রিবা চফু শাবা পাখঙ অমা, পূন্সি শিন্থা থিরকপদা মকাদুদা চঙজরকখি। জুৱন হেমিলতন থুংলবদা ও’কীফকী পূন্সি, লীল্লানা য়ৈবদা তেকখৎলবা লৈরাংগী মতৌগুম্না তেকখৎলকখি। ন্যু মেক্সিকোগী পীল্লবা সহর অদুদা পাউথোক্লফম ওইরকখি, তোকঙা মপাল শারকখি। কনামত্তগী পাউনিনখোল থৌওইখিদে। অমনা অমবু শকখঙবা কলাকার পুংবা অমগুম মালেম থুংনা কোয়মিন্নখি। লৈবাক্লা শাবা চফুদা চামথোকপা য়াবা মচু (ৱাটর কলর) না অনৌবা শায়োন হাপ্লবা লাই কয়া লেপ্তুনা খুদোল তৌরমখি। মশাগী চহী মরিফুতরানিপান, তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎলমদাই মীকূপ্তু ফাওবা থানদনা লেনমিন্নখি।

মীওইবগী চহীনা ক্রিয়েটিভিটিগী ঈফূৎ কংহনবা ঙমদে, চহীনা য়াঙশিল্লকপগা উঙমদবা কলাগী মশক উনবা পাল্লিবা কলাকারগী অহুমশুবা মীৎ অদুদি থৌবা হেনগৎলক্লিবা কলাকার নত্তবা অমনা কৈদৌনুংদা খংঙমদে। ৱাখলসিনা লমজিং ওইরগনি ৱারেংজরিবা ঐহাক্না মঙলানগী শগোল অমা তোংলদুনা খুদুপ থানা তৌরিবা, থৌরাং কয়া য়াৎলিবা। পূন্সিদা সূপ্লাক লাক্লরোইদবা হয়েং কৌবা কোরৌ অদু ঙাইরিবা। ২০২৩দা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না মীওইবদা য়াওজবা অনৌবা পোৎ পুথোক্লিংবই অপাম্বা, চহীনা লৈশিল্লকপগা তপ্না-তপ্না হন্থরকই। হায়...‘এক্সপরিয়েন্সকা ইরোয়নবা অনৌবা পোৎ পুথোকপগী মতিক মঙম হেনগৎলবসু, ক্রিয়েটিভিটিগা ইরোয়নবা পোত্থোক্তদি হন্থরকই’।

কনানা কদায়দা পাঙথোকখিবা ‘ষ্টদি’ নো হায়বদুদি খঙখিদে। ইদুনা ফোঙলকপগী পাখিবনি অদুক। থম্মোয়নদি য়ানীংখিদে। ক্রিয়েটিভিটি হায়বসি মীওইবগী চহী অমসুং এক্সপরিয়েন্স’না ইথিল পীদুনা থোকহনবা ফেনোমেনন অমা নত্তে, ৱাখলগী পোত্থোক অমনি। অদুবু য়েস! ক্রিয়েটিভিটিগা মরী লৈনবা প্রদক্টিভিটিগী মতাংদদি পূক্নিং-ৱাখলগী থাক মতুংইন্না অকা-অকুম নাইবই থৌওং অমবুদি থোক্তবা নত্তে, মীওইবনি। ক্রিয়েটিভিটিগী ঈফূৎ, খ্বাইদই মরাং কায়বসি কনাগুম্বা অমগী মশাগী চহী ২০দগী ৩০ ফাওবনি। অৱাংবা চীংদোল কাবগুম, মরাং কায়বা পোত্থোকশিং পন্দোল লোম্লক্কদৌরিবা চহী ৩০দগী ৫০ ফাওবা। চহী ৫০গী মতুংদা ক্রিয়েটিভিটি ইফূৎ কংখিবা নত্তে। পূন্সিনা পীরকপা চৈনা-চৈথেং কয়ানা তন্থহল্লকপনি, ইফুত্তুদই থোরকপা ক্রিয়েটিভিটি - ঈরীক্তি কংবা নাইদে। ●

# তোংব্রম ওংবী মনিতোম্বী নীংশিং সাহিত্য মনা ফংলবা কবি দোনেশ্বর কোন্সমগী শৈরেং লাইরিক ‘মঙালগী হিথাংফম য়ৌরক্লে’

**- তোংব্রম অমরজিৎ -**

মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী ১৭০শুবা লাইরিক ওইনা পুথোক্লিবা কবি দোনেশ্বর কোন্সমগী শৈরেং লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ১০০ য়াওরি। ‘মুৎলমদাইগী মৈঙাল’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং অমনা শৈহৌ শৈরেং ওইনা অহানবদা য়াওরি অদুগা ‘লম্বীসিনা লোইখিদ্রিঙৈ’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিনা অরোইবা ১০০শুবসিনা লোইশিল্লি। শৈরেং অনীসিনা তাইবঙ পূন্সিদা অমসুং কবিগী পূন্সি খোঙচৎতা মঙাল অমা থিবগী লম্বেলদা চঙশিনবগী মমি কয়া তারি। অহানবগী শৈরেং অসিনা কুমজা ২০১৮দা ইবনি অদুগা ইকোন কোনবগী শৈরেং অসিনা কুমজা ২০২১দা ইখিবনি হায়না শৈরেংশিং অসি লোইরকপদা ইরি। পরেং অহুম/অহুম্না ষ্টেঞ্জা ওইবা অদুগা পরেং তরানা শাবা শৈরেংনি লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেং অয়াম্বসি। কবি দোনেশ্বরনা মশাগী ওইনা খূৎই অমা লেপ্লবা হোৎনরি। মসিবু ঙাক্লা ইবা হায়বসি অরাইবা শৈরেং খূৎইদি নত্তে। শীজিন্নরিবা ৱাহৈ অসুক্কী মতিক থোৎ নৌই। কবিনা ঈশৈ শৈরেংসু হেক-হেক ইবদুগী মমিসু চাউনা তারি। সাহিত্য কুম্বাবা অমা ওইনা পূন্সিগী কুম্বাবা অমসু ওইরি হায়দবা ঙমদে। মরমদি মহাক্না লাচল্লিবসি পূন্সিগী চেনানি, খুন্নাইগী খোরিরোলনি। দোনেশ্বর কোন্সমনা মণিপুরী খোরিরোলগী পূক্কৈদা মরু ওইনা শৈরেংদা হৌজিক ফাওবদা খুদোল তম্লক্লিবসি মশাগী শৈরেং লাইরিক ২০নি। অদুগা অইবসি ঈশৈ ময়েক ইবা অমা ওইনসু লৈবাক্লা শকখঙনরবা লীরিসিসনি। য়াম্না ঙল্লিঙৈদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী ঈশৈ ময়েক ইবা অমা ওইনা শকখঙনরবা শৈরাংবনি। ঈশৈ শৈরেং লাইরিকসু পূন্না ১০ ফোঙখ্রে। মহাক্না অসুম্না হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা থৱায় য়াওনা মণিপুরগী খোরিরোলদা তৌরিবা মমল য়াম্লবা খুদোলবু শকখঙবা ওইনা তোঙান-তোঙানবা খোরিরোলগী লূপশিংনা শকখঙবা অমসুং ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মনা-মথুম কয়াসু পীখিবা লৈরে। কুমজা ২০২৪দা লোক্তাক খোর্জে লূপনসু মহাক্কী শৈরেংগী লাইরিক ‘মঙালগী হিথাংফম য়ৌরক্লে’ হায়রিবা লাইরিক অসিদা ‘তোংব্রম ওংবী মনিতোম্বী নীংশিং সাহিত্য’ মনা পীরগনি হায়না লূপ অসিনা লাউথোকখ্রে। মসিমক কবি অসিনা মণিপুরী খোরিরোলগী লম্দা তৌরিবা অমসুং মহাক্কী শৈরেংগী মেরিট অদু য়েংলগা পীরকপা ইকায়খুম্নবদুনি।




লাইরিক্কী মমিং :- মঙালগী হিথাংফম য়ৌরক্লে
অইবা :- দোনেশ্বর কোন্সম
অফোঙবা :- মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফাল
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লাইরিক্কী মখুম :- তোংব্রম অমরজিৎ
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৩০০/-
লমায় মশীং :- ১০০




লাইরিক অসিবু কচ্চরদুনা কবি দোনেশ্বরনা অসুম্না ফোঙদোক্লি, “ মঙাল থিনা-থিনা লেপ্তুনা চৎখ্রবশিং, মঙালগী পূক্নিং হুরবা শুম্মৎয়াই চেল্লবা হিথাংফম য়ৌরক্লবশিং নুংশিরবা মখোয়দা” কবিগী ৱাহৈশিং ৱাংউলোন্না পীক থল্লি। পূন্সি অসিমক অসিগুম্বা মঙালগী হিথাংফম অমদা চৎনরিবা ঙাক্তনি হায়বদু ফোঙদোক্লি। কনা কনাগুম্বশিংদি মঙালগী হিথাংফম য়ৌখি, পূন্সি পোলোইদা ঈংনা য়াতাখি অদুগা কনা কনাগুম্বশিংদি মঙাল অদু করিনো হায়বা ফাওবা খঙদনা তাইবঙ পূন্সিগী অরং-অরাক্তা লুপ্তুনা অদুমক হিংলম্মী, লৈরম্মী হায়বগী খুদম ফাওবা লৈহৌদবনা অয়াম্বনি। অদুনা মীওই মপোক্তা পোল্লকপসিদা অফবা থবক তৌবা তান্নরি।

কবি দোনেশ্বরগী শৈরেংশিংদা মেটাফিজিকেল ইলিমেন্টশিং, লাইনীংলোলগী মচাকশিং, তাইবঙ মপুবু থিবা, পূন্সিগী ৱাহন্থোকপু ইখৌ লাংবা, লেপ্তুনা মঙাল অমবু থিবগী খোঙচৎ অমা অসুম চৎলিবগী মমি তারি। ‘মুৎলমদাইগী মৈঙাল’ দা কবিনা ইরক্লি, “মুৎলমদাইদা খংঙান-ঙাল্লম্বা মৈঙালদা/অহানবা ওইনা থাজদনা তিংথোরকখি নখুৎ, মঙগুম;/খংমম মমখি মাঙমিন্নখি।/... ৱাখলদি য়াম্না লৈতাদে, ঙাওচৎনৈ;/পূক্নিংসি য়াম্না লাঙই, ৱায়;/মসিবু থাজবগী নাউহোংনা চেৎনা পোশিন্দুনা পুজরি।/শিন্নজরগে নখুৎতা থম্মোয়সিগা লোয়ননা লোইনা নোংমা।” (লা: ১) কবিগী পূন্সিদা থাজবা হায়বসি মাঙদ্রি, আশাসু তৌরি পান্দম অমসুং পন্থুং অদুদি চৎনীংলি চোকথবা লৈতনা। ‘The Light in the Heart’ কী অইবা অমসুং ফিলোসোফর Roy T. Bennett না অসুম্না হায়রম্বসু লৈ, “Life is about accepting the challenges along the way, choosing to keep moving forward, and savoring the journey.” পূন্সিগী খোঙচৎ অসিগী মহাও অদুদি ঙসি কবি দোনেশ্বরনসু খঙনবা থিরি মহাক্কী শৈরেংসিদা থাজবা হায়বদু নাউহোং শাদুনা পোদুনা পুরি, পূন্সি মাগী নম্বোসু খন্থ্রাংননা পোদুনা।

ইমা লৈবাক্তগী হেন্না নুংশিবা লমদম অমা লৈরমগদ্রা মালেমদা, লৈরল্লোই। অদুননি ইমা লৈবাক্কীদমক শিবা কিদনা লাম্থেংনরিবা, অচৌবা লাঞ্জাও কয়া শোক্লরিবা। ইরমদম মণিপুরদি কমদৌরি? অহিংগা পাঙ্খক ওইরি। অমুবা আইন, মসিগী মরুমদা কি তুজুংলবা থৌদোকশিং অমা লোইখি অমা অমুক থোকই। অচুম্বা ৱায়েল ফংখিবদি লায়রদনা হেন্না-হেন্না মীচম মীয়াম্না মৈশা লাংলি, অৱা পোৎলূম পুরি। হিক্লা-কপ্লি ইমাশিং ইচে-ইচলশিং, ইনে-ইন্দোল, ইমাশিংনা খুল ঙাক্লি। লৈঙাক চূক্লি পায়রিবশিংনা মবুকচেল লেপত্রি, থৌনা ফূদোকত্রি। পোক্লফম ইমানা অহিং মিৎশেল খাঙনা খুদাং পিফম নাইরি। মসি হার্দ রিএলিটিদুনি। কবি দোনেশ্বর মতম অসিগী কন্টেম্পরি অইবা অমা ওইনা হায়রিবা খুন্নাই অসিদা থোক্লিবা, উরিবা, থেংনরিবা পূন্নমক খঙদবা, উদবা নত্তে। মহাক্কী থম্মোয়দা, পূক্নিংদা নুংঙাইতবা, পেন্দবা, ৱারৌবা কয়া লৈরমগনি অদুবু অশাওবা উৎতে, পেন্দবা পূন্নমক ঈংনা-তপ্না নুংশিবা ৱাহৈনা মোমোন নোক্লগা অচুম্বদুদি থম্মোয়দগী মকা ফোংদনা মেংনা হায়রকই অমসুং ইরকই, ‘লাইরম্লেন ওইরিবা ইরমলেন’ মিংথোনবা শৈরেং অমা। শৈরেং অসিমক্কী মিংথোলসিনা য়াওরি অশৈবা দোনেশ্বরগী ম্যুজিকেল ওইবা ৱাহৈগী মগুণ। নখোয় ঐখোয়গী ইরমদমসে লাইরমলেন্নি মসিদা পূন্না অমত্তা ওইনা নুংশিননা লৈমিন্নসি হায়রক্লি কবিনা। ঙসি থেংনরিবা অৱা-নুংঙাইতবা, খুদোংচাদবা পূন্নমক নোংমদি লোইখিনি হায়বগী থাজবা থল্লি অদুননি মহাক্না ইরক্লিবা, “অহিংসিনা হৌখ্রবা মতমদনি লাক্কদবা মঙাল... লোইহল্লোই মঙালদা মঙলান ওইনা।/... থাজবগী তাইবঙ ওইরে..., মঙগ্রেম্নরোই ঙসি;/মাঙহল্লোই নোংথাঙদা নোংথাঙ ওইনা।/ইবানিগীনি লাইরমলেন ওইবা লমদমসি, হিংমিন্নখিসি লোইনাইদনা।” (লা: ৩) ইমা লৈবাক নুংশিবা হায়বসি পূক্নিং থম্মোয়দা ফাওবা ইহুল অদুননি। অদুনা ফ্রেন্সকী ফিলোসোফর অমসুং অইবা Voltaire না হায়রম্মী “A motherland is not a place, it is a feeling”

পূন্সিবু লুনা নুংশিনা য়েংলি কবি দোনেশ্বর। অদুনা মহাক্না ইরকপা শৈরেংশিং পূন্সিগী তাঙ্ককশিংবু লাচল্লি লেপ্তুনা। শংবান্নবা অতিয়া উরুরে নুংওল্লি। লৈচিলনা নোংমদোলগা শান্নমিন্নবা য়েংলুরে পূন্সিবু নুংশিনা শোল্লি। অয়ূক্কী লীল্লা মরীকশিংদসু পূন্সিগী ৱাহন্থোক অমা য়াওরিব্রা হেক-হেক খঙনীংলুই। ইদবা ঙমদে রোমান্তিক কবি অমা ওইনা। মসিনা ওইবা তাই ইরক্লিবা ‘লীল্লাদা ইরিবা ৱারী’। সিম্বোলনি পূন্সিগী। নুমিৎ মঙাল লাকপদা লীল্লাদি অদুমক মনিল ওন্দুনা মালংদা অমুক তিনখি। মীওইবগী পূন্সিসু অয়ূক্কী লীল্লাগুম্বনি হায়বগী ইমেজরি অমা শীজিন্নবা থেংনৈ। কবিনা অসুম্না ইরক্লি, “লীল্লা মরীকসিদা ইরি পূন্সিগী ৱারী,/থক্তোরক্লিবা মশেকসিনা লীরি ৱারীসি লেপ্তুনা অয়ূক খুদিং;/খঙই নঙতদি মসি।/... লীল্লাসিদা ইবরা ৱারীসুনঙগী ঐতগী ওইনা লোইনা,/মঙালনা তম্বরা পাউসু নঙগী ঐতগী ওইবা মতম খুদিং;/খঙই নঙনদি মসি।/নীংশিংবতং থম্বীরম্মী নঙনদি হিংজনবা নোক্লা মতম খুদিং।” (লা: ১১)

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা শৈরেংগী মিংথোলশিং অসিমক য়াম্না থোৎনা মেংবা , নুংশিবা, অতপ্পা খ্বাইদগী রিফাইন তৌরবা মণিপুরী লোলনি। ইংগ্রাজিদা হায়রগনা, এম্বেলসিষ্ট অমসুং ওর্নামেন্টেল ওইবা ৱাহৈশিংনা অয়াম্বা ওই। মসিনা অপাবশিংদা ঈংথ-তপথবা ফাওহল্লি, পূক্নিং থম্মোয়বু নুংঙাইহনবা অমসুং ৱাখল খন্থহল্লি। কবি দোনেশ্বরনা ইরক্লিবা ‘নীংশিংবগী পাউথাং’ অসিমকসু মিংথোল অসিমক্লা অদুম্মক পানীংহল্লি। পরেং খরদা অসুম্না ইরল্লি, “চেজেৎ অমদা/মপূং ফাদবা শক্তম অমা য়েক্লি,/ওইহঞ্জনীংদে ঐমক্কীদি।/তুংওইনহৌরবা লম্বী লমখাইশিংনা/নীংশিংবগী পাউথাং চেল্লকই,/লৈরি য়েলহৌঙৈগী নুংশিবা চৎনবী।/শকখঙনদ্রিবা লল্লেন মাঙগী লম্বীদা/ৱাখলগী মপূং ফারবা পূন্সি শক্তম অমা উরি,/ঐগী হয়েংনি।/হয়েংগী ৱাখল খল্লকপদা মোমোন্নজরি।” (লা: ৮১) ইনাৎকী লীল্লম কায়দনা চৎলিবা লমদম অসিগী মীয়ামদা নীংশিংবগী পাউথাং চেল্লকপদা আশা অমদি পীরিবা শৈরেংনি। আশাদুনি উরগা কবিনা মোমোন্নজরিবা।

লাইরিক অসিগী লমায় ১০০শুবদা য়াওরিবা অরোইবা শৈরেং লম্বীসিনা লোইখিদ্রিঙৈ’ য়াম্না ৱাহন্থোক লৈবা শৈরেংনি। হিংলিবা মীওইবগী তাইবঙ পূন্সিসিদা তেনখ্রবা মতমসিদা অফবা থবক কয়া তৌজনীংবা মীওইশিংগীদি নোংমগী মতম অসি ফাওবা কোন্নদে। মীকুপ পুংজা কয়ানা শাগৎলিবা পূন্সি খোঙচৎ অসিমক নুমিৎ তাবনা হানখিবা তারে হায়দুনা নুমিৎ তাবগা পূন্সি খোঙচৎকা ফজবা ইমেজরি অমা পুশিল্লক্তুনা ইরক্লি, “খোঙশাঞ্জরগে মীৎকুপ অমত্তা পোত্থাদনা/কোরৌনা, নারল ৱায়দ্রিঙৈ,/মঙালনা নোংথোঙ হাংলিঙৈ।/...মীনোক খোম্থাং য়ৈনা নিলহৌসনু/খোঙ্গুল খুনাম শেংনা লৈহৌসনু,/খোঞ্জেল লৈয়েং লৈতোন ফাদ্রিঙৈ।/ৱাখলগী লম্বীরা মসিবু পোলোই লমখৈ য়ৌনীংলিবা।” (লা: ১০০)

শৈরেং লাইরিক অসিদা কবিনা মঙাল অমদি লেপ্তুনা থিরি অদুনা হেক অহানবা শৈরেংদগী হৌদুনা ‘মঙাল ওইরিবসিসু নঙনি’, ‘তুংইঞ্জগে য়াঞ্জদুনা মঙালগী ‘ফিজি’, লমজিংবীয়ু মঙাল ওইনা’, ‘মঙালগী থোঙ্গাল’, ‘মেঙলবা মঙাল’, ‘মঙালগী মরানয়াই’, ‘মঙালগী লম্বীনি’ অসিনচিংবা মঙালবু ইখৌ লাংবা উনিংবা অমসুং ফংজনীংবগী শৈরেংশিংসু মরাং কায়না য়াওরি। বেঙ্গলি অমসুং মীতৈ ময়েক অনীমক্তা শৈরেংশিং য়াওরি। মসিনা হৌজিক্কী মীরোলনা পাবদসু হেন্না খুদোংচাহল্লি। দোনেশ্বর কোন্সম মশাগী ফিদা অমা লৈরবা অদুগা মশাগী ওইবা খূৎই মফোঙদোক অমগী চপ চাবা মহাও অমা পীবা ঙম্লবা মণিপুরী শৈরেংগী অশৈবা অমনি। লেপ্তুনা শৈরেং লাইরিকশিং মখা তানা খুদোল তম্লকখিগনি হায়বগী থাজবা থমজরি। ●

# ফিল্মগী হিরো ওইরম্লে

**- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -**

ঐখোয় লৈকায়দা ফজবদা, লাইরিক হৈবদা, ইনাকখুনবদা ফাওবা লৈশাবী অমা লৈরম্মী। মা মথোই কা হেন্না কাই। মতিক চাবা ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, অচৌবা ওফিসর কয়াগী মমা-মপানা ইমৌ ওইজরগে হায়বা লাক্লফাও মানা য়াবা কৌবা লৈতে। মাগীদি মানা থিজনি অদুম হায়।

মমৈথংদা সুম পাওথোকখিদুনা কনাসু মাবু হায়না-শিংনবা লাকখিদ্রে। মোইগী লেঙ্গা ওইগদবা পাখঙসু অমত্তা লাকখিদ্রে। মথা শাবা হৌরে মা। মাগী মথৌ হায়ববু মানা পামজবা নুপা থিবনা মথৌ ওইরক্লি।

নোংমা মানা মাগী কারদু থৌরগা ঘড়ীদা লৈবা শোপ্পিং মোল অমগী মমাঙদা খামদুনা অরাকপা পাখঙ লাকপা য়েংলম্মী। অসুম্না য়েংলিঙৈ তাঞ্জাদুদা মানা পামজবা শক-চু নীংথিবা, ৱাঙ-চাউবা পাখঙ অমা মশা নান্না অতাঙবা কার অমদগী কুমথরকপা উরুবদা মা ঙাওখ্রে। নুপাদু য়াম্না লেম্মী, অচৌ অশাংসু মাল্লি। নাকলদা সুইট কেস পায়বা বোদিগার্দ অনীসু ইন্নে। মানা ৱাখলনা শাগৎখ্রে, মসি মতিক চাবা নুপা ওইরমগনি।

লৈশাবীদু কারদগী কুমথরগা মোল মনুংদা চঙখিবা নুপাদুগী মতুং ইন্নরম্মী। মানা মোল মনুংদা চঙখিবদা লৈশাবীদুসু চঙশিল্লম্মী।

লৈশাবীদুনা হেক খোঙ কানশিনবগা মনুংদগী মীওই খরনা খূবাক খুরকই। অদুগা লাউরক্লম্মী গূদ-গূদ। নুপাদু দিজিটেল ফিল্মগী হিরো ওইরম্লে।




ফিল্ম কন্না নম্লিঙৈদা লৈশাবীদুনা চঙশিল্লুবনি। খূবাক খুরিদুদি ফিল্ম দিরেক্টরদুনা পেনমনখিদনা ক্রু মেম্বর য়াওনা ময়াম্না হরাওবগী ওইরম্মে।

লৈশাবীদুনা ঙাওজরিবা নুপাদুদি ফিল্ম নম্বগী এক্টিং তৌবা ওই লৈরম্মে। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪ গী ৱাহং**

১) **“শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ থৌরম শৈরেং”** (নট ঈশৈ), অহানবা শরুক - হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) **“নেটৱার্ক ফংদবা”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **“লাহোর উদ্রবা মখোয়দি মীওইপোক নৎত্রবগুম্বনি”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি লোল অমদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্নি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনাননো?

৪) **“ঙমখৈদদি থৱায়শিংনা
অঙাঙবা লৈ ওইনা শাৎলি
হেকই অঙাংশিংনা নীংতম্বা নুমিৎতা...॥”**

শৈরেং মতেক অসি শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো? শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক অদুগী মমিং করিনো?

৫) **“হৌরকফম”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফৱা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।